# বেঙ্গলুরু এফ সী অমদি নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সী পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখিবদা কুমাম উদান্তাগী পাঞ্জল য়াওখি




9 Dec, Wednesday (21st Match)
Mumbai City FC
vs
Chennaiyin FC
Time : 7:30 PM



*কুমাম উদান্তানা পাঞ্জল চন্নবা কাওশিনখিবা শোট অমা (ফাইল ফোটো)*

ফটোর্দা, দিসেম্বর ০৮(এজেন্সী): গোৱানা য়ূম্বু ওইরগা ষ্টেট অদুগী সিটি অহুমদা মমাং থাগী ২০দগী পাঙথোকপা হৌখিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৭শুবা এদিসনগী ঙসি শান্নখিবা ২০শুবা মেটচতা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা বেঙ্গলুরু এফ সী অমদি নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীগা শান্নবদা পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখিবদা বেঙ্গলুরু এফসীগী মায়কৈদগী কুমাম উদান্তানা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

ফটোর্দাদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা বেঙ্গলুরু এফ সী অমদি নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সী লম্বা তৌনখিবা অদুগী হৌরকপদা লীগ অসিদা মমাংগী মেটচ ৪ শান্নবদা মেটচ অমত্তা মায়থীবা নংদনা লাকখিবা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীগী মায়কৈদগী য়াম্না ঙন্না পাঞ্জল চনবা ঙমখি। শান্নবগী শুপ্নগী ৪শুবা মিনটতা টিম অদুগী মায়কৈদগী সুহের ভি পিনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট রোসারজে লানা পাঞ্জল চন্দুনা বেঙ্গলুরু এফ সীবু মখোয়না ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল অমা ফংবা ঙমখ্রবা বেঙ্গলুরু এফ সীগী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা মখোয়গী মথক্তা চনশিল্লকখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা হোৎনবদা য়াম্না ফজবা মওংদা শান্নখিবা অদুগী কান্নবা অদু ১৩শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় জ্বানাননা ইক্লেলাইজর অদু চন্দুনা টিম অনী অমুক হন্না মান্নবা মওংদা পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা লৈখি। অহানবা হাফ অদুগী লেমহৌরিবা পুংখায় অমরোমগী মতম অদুদা টিম অনীগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবা অদু কান্নবা ফংদনা মিনট ৪৫গী মতম অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফকী পুংখায় ফানিংচিৎ য়ৌশিল্লকপদা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈরমখিবা অদু বেঙ্গলুরু এফ সীগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগী সিনিয়র শান্নরোয় অমা ওইনা মতম কুইনা লৈরক্লবা মণিপুর মচা কুমাম উদান্তানা টিম অদুগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা পীরকপা বোল অমদা শান্নবগী ৭০শুবা মিনটতা পাঞ্জল চন্দুনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীবু ২-১দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

বেঙ্গলুরু এফ সীসু মমাংদা শান্নখিবা মেটচ ৩দা অমা মায় পাক্লগা দ্রো অনী চৎতুনা মায়থীদনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারক্লি। মখোয়না পাঞ্জল ২-১দা মাঙজিল থাখিবা অদু নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা মসাদোনা ইক্লেলাইজর অদু চন্দুনা লেং মান্নরকখি। মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী টিম অনী ২-২দা দ্রো চৎখি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mumbai City FC | 4 | 3 | 0 | 1 | 6 | 1 | 5 | 9 |
| 2 | Northeast United FC | 5 | 2 | 3 | 0 | 8 | 5 | 3 | 9 |
| 3 | ATK Mohun Bagan FC | 4 | 3 | 0 | 1 | 5 | 2 | 3 | 9 |
| 4 | Bengaluru FC | 4 | 1 | 3 | 0 | 5 | 4 | 1 | 6 |
| 5 | FC Goa | 4 | 1 | 2 | 1 | 6 | 5 | 1 | 5 |
| 6 | Hyderabad FC | 3 | 1 | 2 | 0 | 2 | 1 | 1 | 5 |
| 7 | Jamshedpur | 4 | 1 | 2 | 1 | 6 | 6 | 0 | 5 |
| 8 | Chennaiyin FC | 3 | 1 | 1 | 1 | 2 | 2 | 0 | 4 |
| 9 | Kerala Blasters FC | 4 | 0 | 2 | 2 | 3 | 6 | -3 | 2 |
| 10 | Odisha FC | 4 | 0 | 1 | 3 | 2 | 6 | -4 | 1 |
| 11 | East Bengal Club | 3 | 0 | 0 | 3 | 0 | 7 | -7 | 0 |

# ৩শুবা টি-২০ মেটচ ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াবু রন ১২দা থোইখ্রে

সিদনি, দিসেম্বর ০৮(এজেন্সী): ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াদা শান্নরিবা ক্রিকেট টুর অসিগী মনুং চন্না ঙসি টি-২০ মেটচ অহুমগী অরোইবা মেটচ অদু সিদনি ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নবদা মমাংগী মেটচ অনী ইন্দিয়ানা মায় পাক্লগা সেরিজ লৌখ্রবসু ওষ্ট্রেলিয়ানা রন ১২দা থোইদুনা ইন্দিয়ানা টি-২০ সেরিজ অদু ৩-০দা থোইরমগদবা কনবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুগী টোস ইন্দিয়ানা ঙল্লগা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা বেটসমেন ৫ আউট ওইরগা রন ১৮৬ লৌবা ঙমখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদু হৌরকপদা ফীভম শোকখি। কেপ্টেন অরোন ফিন্স রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি।

অতোপ্পা ওপনর ৱেদকী মায়কৈদগী ফজবা মশান্না উৎপা ঙল্লকখিবা অমদি ফিন্সকী মহুৎ শিনখিবা ষ্টিভেন স্মিথনা অপূনবা স্কোর ৭৯ ফাওবা য়ৌহল্লকখি। স্মিথ ১০শুবা ওভরদা রন ২৪ লৌরল্লগা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা গ্লেন মেক্সৱেল অমদি ৱেদনা অহুমশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপ অদুদা রন ৯০ হাপচিন্দুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী অপূনবা স্কোর অদু ১৬৯ শুহনখি। ওপনর ৱেদ বোল ৫৩ মায়োক্নরল্লগা সিক্স ২ অমদি ফোর ৭ য়ৈরগা রন ৮০দা আউট ওইখি।

ইকান কান্নদনা বোল ৩৬তা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ৩ য়ৈদুনা রন ৫৪ লৌখিবা মেক্সৱেলসু ২০শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা আউট ওইখি। মতমদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী অপূনবা স্কোর ১৭৫ লৈখি। লেমহৌবা বোল ৪দা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী রন ১১ হাপচিল্লগা ইন্নিংস অদু রন ১৮৬তা লোইশিনখি।

মায় পাক্নবা ইন্দিয়ানা রন ১৮৭ লৌনবা হোৎনরকপদা টিম অদুগী মায়কৈদগী ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা বেটসমেন ৭ আউট ওইরগা রন ১৭৪ খক লৌখিবদগী মেটচ অদু ওষ্ট্রেলিয়ানা রন ১২দা থোইখিবনি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা বোল ৬১দা সিক্স ৩ অমদি ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৮৫ লৌখিবা য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স অদুনা টিম অদুবু মায় পাকহনবা ঙমখিদে। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বেটসমেনশিংনা ফজবা ঙমখিদবদগী মায়থীখিবনি। ওপনর সিখর ধৱননা রন ২৮ অমদি ৬শুবা বেটসমেন হার্দিক পান্দিয়ানা রন ২০ লৌখিবা অমসুং সারদুল থাকুরনা রন ১৭ লৌরম্বা অদু নৎতনা অতোপ্পা বেটসমেন অমত্তা ফজবা ঙমখিদবদগী ইন্দিয়া মায়থীবা নংখি। টুর অসিগী টেষ্ট মেটচ ৪গী অহানবা মেটচ অদু থা অসিগী ১৭তা এদলেদতা হৌরগনি।

# লৈঙাক্লা শান্নবদগী পোত্থাখ্রবশিংবু মতেং পীনবা খেলো ইন্দিয়া সেন্টর ১,০০০ থম্লগনি : কিরেন রিজিজু



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ০৮(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইরিবা কিরেন রিজিজুনা ঙসি ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদা শান্নবদগী পোত্থাখ্রবা ইন্দিয়াগী ওইনা লৈরিবা মীওইশিংবু মতেং পীনবগীদমক্তা খেলো ইন্দিয়া সেন্টর ১,০০০ শেমগৎলগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি এফ আই সী সী আইনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ১০শুবা গ্লোবল স্পোর্টস সমিট ২০২০দা শরুক য়াখিবা কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখিবনি।

মিনিষ্টর অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, করিগুম্বা শান্নরোয় অমনা অৱাবা চৈথেং ফংলবা মতমদা মখা তাবা মশান্না অদুগী নক্লবা মীওই নৎত্রগা শুরোন অদু শোক্কদৌরিবনি। মরম অসিনা শান্নরোয়শিংনা মখা তাবা শুরোনবু অফবা মওংদা শেমগৎপা ঙম্নবগীদমক লৈঙাক্লা শান্নবগী ইভেন্টশিং পাঙথোকপা মতমদা শেলগী মনা পীবদা নৎতনা লেপ্পা লৈতনা শান্নরোয়শিংদা শেলগী মতেং পীবগী স্কিম কয়া অমা শেমদুনা থল্লি হায়খি।

শান্নবগী লম্দা ইন্দিয়াগী ওইনা অচৌবা পোটেন্সিয়ল লৈরি। হায়রিবা খূদোংচাবা অসি মতাং মতম চানা লৌদ্রবদি মালেমগী ওইনা শান্নবগী হীরমদা পাৱর হাউস অমা ওইবা য়ারিবা মীশীং য়াল্লবা লৈবাক অসিগী মাঙজবা ওইগনি হায়খি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীবা য়াবা মতেং পীগনি। ইন্দিয়ানা শান্নবগী লৈবাক অমা ওইদবা মরম্না মীয়ামগী শরুক য়াবগী চাং অসিসু ৱাৎলিবনি। মীয়ামগী মায়কৈদগী শান্নবগী হীরমদা অপূনবগী খোঙজং অমা চঙশিল্লবদি লৈঙাক্লা পীরিবা কান্নবা অসিসু পূন্না ফংমিন্নদুনা শান্নবগী লৈবাক অমা ওইহনবদা মতেং ওইগনি হায়না স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা মখা তাখি।

লৈবাক অসিগী মশীং য়াল্লবা মীয়াম্না হৌজিক লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা খেলো ইন্দিয়া অমদি ফিট ইন্দিয়া খোঙজং অসিগী কান্নবা ফংদুনা মালেমগী শান্নবগী লম্দা ফীভম ফগৎনবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

# দি এস এ ককচীংনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮(ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) ককচীংগী মায়কৈদগী ঙসি এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এম নিলোনা থোরকপা চেরোল অমনা নাওরেম সোমোরেন্দ্রোনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। মশাগী চহী ৫০ শুরকপদা ককচীং মোইরাংথেম লৈকাইদগী নাওরেম সোমোরেন্দ্রো মনুং মতম চাদনা লৈখিদবনি। মহাক মমাংদা নেসনল কোচ ওইরম্বতা নৎতনা ভেটরান ফুটবোল শান্নরোয় অমসু ওইরমখি। এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন (এ এফ সী)গী ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম লীদর কোর্সকী সী লাইসেন্স ফংলবা মীওই ওইরমখি। দি এস এ ককচীংগী ফুটবোল কোচ ওইরম্বতা নৎতনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী চহী ১৪ মখাগী ষ্টেট টিম কোচসু ওইরমখি। এসোসিএসন অসিনা সোমোরেন্দ্রো লৈখিদবদা মহাক্কী ইমুং-মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোকখি।

# এ আই এফ এফ অমসুং এ এফ সীনা বিচ সোক্করগী ৱর্কশোপ হৌদোকখ্রে

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ০৮(এজেন্সী): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) অমসুং এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন (এ এফ সী)না খূৎশম্নদুনা বিচ সোক্করগী মতাংদা নুমীৎ হুম্নিগী ওইবা ওনলাইন ৱর্কশোপ ঙসিদগী হৌদোকখ্রে।

থা অসিগী ১০ ফাওবা চথুগদৌরিবা ওনলাইন ইন্ট্রোদক্টরি ৱর্কশোপ ফোর বিচ সোক্কর অসিগী মতাংদা এ এফ সীগী বিচ সোক্কর ইন্সট্রক্টর ওইরিবা টালিব হিলাননা অতোপ্পা কোচ এদ্যুকেটর সুহেল নায়র, মার্সেলিনো পেরৈরা, গাবিন অরোজো অমদি সেখর কেরকরগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা বিচ সোক্করগী মতাংদা থৱায় য়াওবা কোচ অমদি ওফিসলশিংবু লমজিং লমতাক্লি।

নীংশিংবা য়াবদি কোচ এদ্যুকেটর অমা ওইরিবা গাবিন অরোজো কুমজা ২০০৭তা ফিফাগী বিচ সোক্কর ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী মীহুৎ ওইনা শরুক য়াখিবা মীওই অমনি। হায়রিবা চহী অদুমক্তদা ইন্দোনেসিয়াগী সিটি বালিদা পাঙথোকখিবা অহানবা এসিয়ন বিচ গেমসতা শরুক য়াবা ঙমখি। ঙসিদগী হৌখিবা নুমীৎ হুম্নি চথুগদবা ওনলাইন ইন্ট্রোদক্টরি ৱর্কশোপ ফোর বিচ সোক্কর অসিদা বিচ সোক্কর অমসুং ফুটসালগী মকোক ওইরিবা অলি টার্গোলিজেদ, ফুটসাল অমসুং বিচ সোক্কর দিভলপমেন্টকী সিনিয়র দিভলপমেন্ট ওফিসর জেকোব জোসেফ বিগ্‌স, বিচ সোক্কর অমসুং ফুটসাল দিভলপমেন্টকী সেক্রেটরি ষ্টেসি জনসেন, দিভলপমেন্ট এদমিনিষ্ট্রেটর অব্দুল অজিজ কিফা লোয়ননা এ আই এফ এফকী কোচ এদ্যুকেসনগী হেদ ওইরিবা সাভিও মেদৈরাসু শরুক য়াখি।

ওনলাইন ৱর্কশোপ অসিনা ইন্দিয়াদা বিচ সোক্করবু হেন্না পাম-হন্নবগীদমক্তা অচৌবা লম্বেল অমা পীবা ঙম্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

# জন্যুৱারী ১৫দা ট্রাও অমসুং নেরোকানা আই লীগকী ১০শুবা মেটচ লম্বা তৌনরগনি

কোলকাটা, দিসেম্বর ০৮(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা অনীশুবা থাক্কী টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অনৌবা সিজন ৱেষ্ট বেঙ্গলনা য়ূম্বু ওইরগা ষ্টেট অদুগী ষ্টেদিয়ম অহুমদা মথং চহীগী জন্যুৱারী ৯দগী হৌগদৌরিবা অসিগী ১০শুবা লীগ মেটচতা মণিপুরগী ফুটবোল ক্লব অনী নেরোকা অমসুং ট্রাওনা জন্যুৱারী ১৫দা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সোল্ট লেক ষ্টেদিয়ম, কলয়ানি ষ্টেদিয়ম অমদি কিশোর ভারতি ক্রিয়াঙ্গনদা শান্নগদৌরিবনি। টিম ১১না শরুক য়ারিবা টুর্নামেন্ট অসিদা মণিপুরগী ক্লব ট্রাওনা জন্যুৱারী ১০দা মখোয়গী অহানবা মেটচ ওইনা রিয়াল কাশ্মীরগা থেংনগদৌরি।

| Date and Day | Match | Time (IST) | Venue |
|---|---|---|---|
| 9 January 2021, Saturday | Sudeva FC vs Mohammedan Sporting | 2:00 PM | Salt Lake Stadium |
| 9 January 2021, Saturday | Punjab FC vs Aizawl FC | 4:00 PM | Kalyani Stadium |
| 9 January 2021, Saturday | Gokulam Kerala vs Chennai City | 7:00 PM | Kalyani Stadium |
| 10 January 2021, Sunday | Real Kashmir vs TRAU | 4:00 PM | Kishore Bharati Krirangan |
| 10 January 2021, Sunday | Indian Arrows vs Churchill Brothers | 7:00 PM | Kalyani Stadium |
| 14 January 2021, Thursday | Gokulam Kerala vs Punjab FC | 2:00 PM | SaltLake Stadium |
| 14 January 2021, Thursday | Sudeva FC vs Indian Arrows | 4:00 PM | Kalyani Stadium |
| 14 January 2021, Thursday | Mohammedan Sporting vs Churchill Brothers | 7:00 PM | Kalyani Stadium |
| 15 January 2021, Friday | Chennai City vs Real Kashmir | 4:00 PM | Kishore Bharati Krirangan |
| 15 January 2021, Friday | NEROCA vs TRAU | 7:00 PM | Kalyani Stadium |
| 19 January 2021, Tuesday | Punjab FC vs Churchill Brothers | 2:00 PM | Salt Lake Stadium |
| 19 January 2021, Tuesday | TRAU vs Mohammedan Sporting | 4:00 PM | Kalyani Stadium |
| 19 January 2021, Tuesday | Real Kashmir vs Sudeva FC | 7:00 PM | Kalyani Stadium |
| 20 January 2021, Wednesday | Aizawl FC vs Gokulam Kerala | 4:00 PM | Kishore Bharati Krirangan |
| 20 January 2021, Wednesday | Indian Arrows vs NEROCA | 7:00 PM | Kalyani Stadium |
| 24 January 2021, Sunday | TRAU vs Chennai City | 2:00 PM | Salt Lake Stadium |
| 24 January 2021, Sunday | Aizawl FC vs Indian Arrows | 4:00 PM | Kalyani Stadium |
| 24 January 2021, Sunday | Punjab FC vs Mohammedan Sporting | 7:00 PM | Kalyani Stadium |
| 25 January 2021, Monday | Churchill Brothers vs Sudeva FC | 4:00 PM | Kishore Bharati Krirangan |
| 25 January 2021, Monday | NEROCA vs Gokulam Kerala | 7:00 PM | Kalyani Stadium |
| 29 January 2021, Friday | Punjab FC vs Sudeva FC | 2:00 PM | Salt Lake Stadium |
| 29 January 2021, Friday | Chennai City vs Indian Arrows | 4:00 PM | Kalyani Stadium |
| 29 January 2021, Friday | Churchill Brothers vs TRAU | 7:00 PM | Kalyani Stadium |
| 30 January 2021, Saturday | NEROCA vs Aizawl FC | 4:00 PM | Kishore Bharati Krirangan |
| 30 January 2021, Saturday | Gokulam vs Real Kashmir | 7:00 PM | Kalyani Stadium |
| 3 February 2021, Wednesday | Chennai City vs Sudeva FC | 2:00 PM | Salt Lake Stadium |
| 3 February 2021, Wednesday | Mohammedan Sporting vs NEROCA | 4:00 PM | Kalyani Stadium |
| 3 February 2021, Wednesday | Churchill Brothers vs Aizawl FC | 7:00 PM | Kalyani Stadium |
| 4 February 2021, Thursday | Real Kashmir vs Indian Arrows | 4:00 PM | Kishore Bharati Krirangan |
| 4 February 2021, Thursday | TRAU vs Punjab FC | 7:00 PM | Kalyani Stadium |
| 8 February 2021, Monday | NEROCA vs Chennai City FC | 2:00 PM | Salt Lake Stadium |
| 8 February 2021, Monday | Churchill Brothers vs Real Kashmir | 4:00 PM | Kalyani Stadium |
| 8 February 2021, Monday | Mohammedan Sporting vs Gokulam Kerala | 7:00 PM | Kalyani Stadium |
| 9 February 2021, Tuesday | Indian Arrows vs Punjab FC | 4:00 PM | Kishore Bharati Krirangan |
| 9 February 2021, Tuesday | TRAU vs Aizawl FC | 7:00 PM | Kalyani Stadium |
| 13 February 2021, Saturday | TRAU vs Gokulam Kerala | 2:00 PM | Salt Lake Stadium |
| 13 February 2021, Saturday | Punjab FC vs Chennai City | 4:00 PM | Kalyani Stadium |
| 13 February 2021, Saturday | Real Kashmir vs NEROCA | 7:00 PM | Kalyani Stadium |
| 14 February 2021, Sunday | Indian Arrows vs Mohammedan Sporting | 4:00 PM | Kishore Bharati Krirangan |
| 14 February 2021, Sunday | Aizawl FC vs Sudeva FC | 7:00 PM | Kalyani Stadium |
| 18 February 2021, Thursday | Aizawl FC vs Mohammedan Sporting | 2:00 PM | Salt Lake Stadium |
| 18 February 2021, Thursday | Real Kashmir vs Punjab FC | 4:00 PM | Kalyani Stadium |
| 18 February 2021, Thursday | Chennai City vs Churchill Brothers | 7:00 PM | Kalyani Stadium |
| 19 February 2021, Friday | Sudeva FC vs NEROCA | 4:00 PM | Kishore Bharati Krirangan |
| 19 February 2021, Friday | Gokulam Kerala vs Indian Arrows | 7:00 PM | Kalyani Stadium |
| 23 February 2021, Tuesday | Aizawl FC vs Real Kashmir | 2:00 PM | Salt Lake Stadium |
| 23 February 2021, Tuesday | Sudeva FC vs Gokulam Kerala | 4:00 PM | Kalyani Stadium |
| 23 February 2021, Tuesday | Mohammedan Sporting vs Chennai City | 7:00 PM | Kalyani Stadium |
| 24 February 2021, Wednesday | Churchill Brothers vs NEROCA | 4:00 PM | Kishore Bharati Krirangan |
| 24 February 2021, Wednesday | Indian Arrows vs TRAU | 7:00 PM | Kalyani Stadium |

ৱিৱাদ সে ৱিস্বাস
স্কিম ২০২০

চয়েৎনবশিং শেংদোকপা,
থাজবা হেনগৎহনবা




অচৌবা খূদোংচাবা অসি লৌহৌ... নহাক্কী ইনকম টেক্সকী চয়েৎনবশিং শেংদোকহৌ

ইলিজিবিলিটি
- ৩১.০১.২০২০দা অমদি মমাংদা ফাইল তৌখিবা আপিলশিং/রিটশিং অমদি লেমহৌবশিং।
- ৩১.০১.২০২০ ফাওবগী মনুংদা আপিলশিং ফাইল তৌখিবা ওর্দরশিং এক্সপায়র ওইদ্রিবা।
- ৩১.০১.২০২০ ফাওবদা দিস্প্যুট রিজোল্যুসন পেনেল (দি আর পি)দা লৈহৌরিবা কেসশিং।
- ৩১.০১.২০২০দা নৎত্রগা মমাংদা দি আর পিনা ইস্যু তৌখিবা কেসশিং অদুবু পাস তৌখিদবশিং।
- ৩১.০১.২০২০দা নৎত্রগা মমাংদা এসেসিনা ফাইল রিভিজন (সেক্সন ২৬৪)গী কেসশিং।
- চহী ১দা লুপা ক্রোর ৫গী মখাদা লৈবা চয়েৎনবা টেক্সশিং কেস থিদোক্কদবনি।
- টেক্স পীরিবশিং নৎত্রগা দিপার্টমেন্টশিংনা ফাইল তৌখিবা আপিলশিং/রিটশিং।
- মাংজৌননা শেল থীদোকখ্রবা চয়েৎনবশিংগীসু চৎনবা য়াগনি।
- ইন্দিয়া অমদি মীরমগী অর্বিট্রেসনদা লৈবা কেসশিং।

কোনশিল্লিবা চয়েৎনবশিং
- কান্থোক্কদবা খরা নৎতনা মখাদা পীরিবশিংগী চয়েৎনবা পূম্নমক :
  1. চয়েৎনবা টেক্স
  2. চয়েৎনবা পেনাল্টি
  3. চয়েৎনবা শেন্দোই
  4. চয়েৎনবা ফী
  5. টেক্স দিদক্টেদ এট সোর্ছ (টি দি এস) নৎত্রগা টেক্স কলেক্টেদ এট সোর্ছ (টি সী এস)গী চয়েৎনবশিং

অকুপ্পা শক্তমশিং... শেল পীবগী কাঙলোনশিং

| নুমীৎ অদুমক নৎত্রগা মমাংদা শেল পীবা | চয়েৎনবা টেক্সশিংগী আপিলগা মরী লৈনবশিং | চয়েৎনবা পেনাল্টি নৎত্রগা শেন্দোই নৎত্রগা ফীগা মরী লৈনবা আপিলশিং |
|---|---|---|
| মার্চ ৩১, ২০২১ | চয়েৎনবা টেক্সশিংগী ১০০% (থিরিবা কেসশিংগী ১২৫%) | চয়েৎনবা পেনাল্টি নৎত্রগা শেন্দোই নৎত্রগা ফীগী ২৫% |
| নুমীৎ অদুমক নৎত্রগা মতুংদা শেল পীবা | চয়েৎনবা টেক্সশিংগী আপিলগা মরী লৈনবশিং | চয়েৎনবা পেনাল্টি নৎত্রগা শেন্দোই নৎত্রগা ফীগা মরী লৈনবা আপিলশিং |
| এপ্রিল ১, ২০২১ খঙহনখিবা মতম অদুগী নুমীৎ নৎত্রগা মমাং | চয়েৎনবা টেক্সশিংগী ১১০% (থিরিবা কেসশিংগী ১৩৫%) অপূনবা দিমান্দদগী হেন্দবশিং | চয়েৎনবা পেনাল্টি নৎত্রগা শেন্দোই নৎত্রগা ফীগী ৩০% |

করিগুম্বা আপিলেট ফোরম নৎত্রগা দিপার্টমেন্টনা টেক্স পীরিবশিং অদুগীদমক্তা লেপখিবা ৱারেপ অমা পেন্দিং লৈরকপা মতমদা থীগদবা শেনফম অদু ৫০ % নি।

ৱিৱাদ সে ৱিস্বাস স্কিম ২০২০ - মরুওইবা নুমীৎশিং :

দিসেম্বর ৩১, ২০২০
ফাওবদা নখোয়গী দিক্লারেসনশিং ফাইল তৌ

মার্চ ৩১, ২০২১
ফাওবগী মনুংদা অহেনবা শেনফম য়াওদনা শেল থীদোকউ

চঙবীয়ু www.incometaxindia.gov.in www.incometaxindiaefiling.gov.in
ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্ট
সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ দাইরেক্ট টেক্সেস
@incometaxindiaofficial @IncomeTaxIndia
davp 15401/13/0003/2021

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com